# মিজোরামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ম্যান্মার রিফ্যুজি ২৯,০০০ হেন্না চঙজফম লৌদুনা লৈরি : হোম মিনিষ্টর

আইজোল, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সি): হৌখিবা কুমজা ২০১৭ তা ম্যান্মারদা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অমনা মরম ওইরগা মিজোরামগী রখিন ষ্টেটতগী মশিং য়াম্লবা রোহিংজা রিফ্যুজি কয়া য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈনরি। মদুগী মখা তারকপা ওইনা লৈবাক অদুগী মিলিটরিনা কূ তৌদুনা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক ইন্থুদুনা মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকখ্রবা মতুং ম্যান্মারগা তাইনবা শরুক্তা লৈরিবা মিজোরাম ষ্টেটতা হৌজিক হৌজিক ম্যান্মার রিফ্যুজি ২৯,০০০ হেন্না চঙজফম লৌদুনা লৈরি হায়না ষ্টেট অসিগী হোম মিনিষ্টরনা ফোঙদোরক্লি।



হিরম অসিগা মরী লৈননা মিজোরামগী হোম মিনিষ্টর লালচমলিয়ানানা ফোঙদোকখিবদা, মমাং চহীগী ফেব্রুৱারী থাদা য়ুমথংনরিবা লৈবাক ম্যান্মারদা মিলিটরিগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকখ্রবা মতুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মীওৎ মীনৈ খাঙবা ঙমদবদগী ম্যান্মার নেসনল কয়া অতোপ্পা লৈবাকশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। মিজোরামদসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইন্টরনেসনল বোর্দরগী শরুক লানশিল্লক্তুনা ম্যান্মার নেসনল ৩০,৪০১ চঙলকখ্রে। মদুগী মনুংদা ২৯,২৫৩ দি ষ্টেট অসিদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি। ষ্টেট অসিদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা ম্যান্মার নেসনলশিং অসিগী শকখঙ চেশিং শাবগী থবক অয়াম্বনা লোইরে অমদি নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকী মায়কৈদগী রিফ্যুজিশিং অসিগী মতেং ওইনবগীদমক লুপা ক্রোর ৩ হেন্না কায়থোকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরিবা লোংতলাই দিষ্ট্রিক্টকী ম্যান্মারগা তাইনবা শরুকশিংদা ম্যান্মার আর্মি অমদি লালহৌলূপ অরাকান আর্মিগা উংখৎনবগী চাং হেনগৎলক্লি। মসিনা মরম ওইরগা রিফ্যুজিশিং চঙলকপসু লেপ্ত্রি। মমাং চয়োল খক্তদা ষ্টেট অসিদা ম্যান্মার নেসনল ৫৮৯ চঙলকখি। নৌনা চঙলকখ্রবা রিফ্যুজিশিং অদুগী মনুংদা ২১০ না মোবুংচুৱা ভিলেজদা, ১১৫ না জোচাচুৱা, ১২৭ না লাইতলাং অমসুং ১৩৭ না দুমজাউতলাং জিলেজদা চঙজফম লৌদুনা লৈরি হায়রি। হায়রিবা জিলেজশিং অসি লোংতলাই দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা ঙাক্তনি।

# বাংলাদেশতা শিনা ফংখিবা ইন্দিয়ন অমগী অশিবা হকচাং ইমুং মনুংদা খুৎশিন্নখ্রে



অগরটালা, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সি): থা অসিগী ১ দা ত্রিপুরাগী ঈ রিক্সো দ্রাইভর অমা মফম খঙদনা মাঙখ্রবা মতুং থিনরিঙৈ মরক্তা থা অসিগী ৪ দা দ্রাইভর অদুগী অশিবা হকচাং বাংলাদেশকী তুরেল অমদা থেংনখ্রে হায়না পাউচেশিংদা ফোঙদোকখ্রবা মতুং ঙসি অশিবা হকচাং অদু বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সকী ওফিসরশিংদা বোর্দর গার্দ ওফ বাংলাদেশনা খুৎশিন্নরকখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা বি এস এফকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরকখিবদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা বোর্দর গার্দ ওফ বাংলাদেশনা অশিবা হকচাং অদু বি এস এফতা খুৎশিন্নরকখিবনি। বি এস এফতা অশিবা হকচাং খুৎশিন্নরকখিবদা অদুদা খোৱাই পুলিস ষ্টেসনগী পুলিস পর্সনেলশিংসু য়াওখি।

বি এস এফতা অশিবা হকচাং অদু খুৎশিন্নরকখ্রবা মতুং বাংলাদেশকী মনুংচনবা হাবিগঞ্জ পুলিস ষ্টেসন অমসুং চুনারুঘাট পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসলশিং য়াওনা বি এস এফকী ওফিসলশিংনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা অশিবা হকচাং অদু খুৎশিন্নরকখিবনি।

পনবা য়াবদি থা অসিগী মরিদা বাংলাদেশকী শরুক্তা অশিবা হকচাং অমা থেংনখ্রবা মতুং পুলিস, ইন্টলিজেন্স এজেন্সীশিং অমসুং বি এস এফনা মীওই অদু অহানবগী ওইনা আইদেন্টিফাই তৌবা ঙমখিদে। বাংলাদেশ ওথোরিটিনা অশিবা হকচাং অদুদগী মহাক্কী দ্রাইভিং লাইসেন্স থেংনখ্রবা মতুং মীওই অদু ত্রিপুরাদগী মাঙখ্রে হায়না থিনরিবা ঈ রিক্সো দ্রাইভর অদুনি হায়বা খঙবা ঙম্লকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, বোর্দর গার্দ ওফ বাংলাদেশনা হোৎনদুনা অশিবা হকচাং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নরকখিবদগীদমক বি এস এফনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# এন ঈ রিজনগী ওইনা কোভিদ-১৯ না মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবা ষ্টেট অসামনা ওইরি

গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সি): মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্তা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা চহী অনীরোম অকনবা চৈথেং পীদুনা লাকখিবা অদুগী শরুক অমা ওইনা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা কোভিদ-১৯ না মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনখিবা ষ্টেট অসি অসামনা ওইরি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী মনুংদা কোভিদ-১৯ না মী খ্বাইদগী য়াম্না শিহনবা ষ্টেট অসামনা ওইরি। মদুগী মতুংদা মণিপুরনা অনীশুবা অদুগা মেঘালয়ানা অহুমশুবদা লৈরি। হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবগী ফংখিবা রিপোর্টতা অসামদা কোভিদ-১৯ না হৌজিক ফাওবদা শিহনখিবা মী মশিং ৮,০৩৩ শুখ্রে। মদুগী মতুংদা মণিপুরদা শিহনখিবা মী মশিংনা ২,১৪৮ অমসুং মেঘালয়াদা শিহনখিবা মী মশিংনা ১,৬১৯ ওইরি। অতোপ্পা লেমহৌরিবা ষ্টেটশিং ত্রিপুরাদা শিহনখিবা মী মশিংনা ৯৩৮, নাগালেন্দগী ওইনা ৭৭৯, মিজোরামগী ওইনা ৭২২, সিকিমগী ওইনা ৪৯২ অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী ওইনা ২৯৬ নি হায়রি।

অমরোমদা, লৈবাক অসিগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎনা শিহনখিবা মী মশিং ৫,২৮,০৩১ শুখ্রে। লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবগীদমক হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদ ভেক্সিন দোজ ২,১৩,৮৮,৭০,৯৯১ কাপথোকখ্রে হায়রি।

# ত্রিপুরাদা অতোপ্পা রিমস অমা শাবিনবা প্রপোস তৌখ্রে

অগরটালা, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সী): লৈবাক অসিগী ওইনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা অনীশুবা রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) অমা ত্রিপুরাদা শাবিনবা ত্রিপুরা গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ২০০০ গী প্রপোজেল অমা সেন্তরদা থাখ্রে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না অগরটালাদা অনৌবা রিমস অমা শান্নবগীদমক গভর্ণমেন্টনা প্রপোস তৌখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী ওইনা হান্না লৈজরিবা ত্রিপুরা মেদিকেল কোলেজকী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অপগ্রেদ তৌনবসু হায়জখ্রে হায়রি।

ত্রিপুরাগী হেল্থ সেক্রেটরি দা. দেবাসিস ভাসুনা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগী মতাংদা অয়াবা পীবিরক্লবা য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিদা তকশিনখ্রে। ত্রিপুরাগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সহানসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উন্নদুনা অগরটালাদা রিমস অমা শেমগৎনবগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়রি।

# পিছ একোর্দ অমা অথুবদা খুৎয়েক পীনরগনি

গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সি): অসামদা লৈরিবা অদিবাসি মিলিটেন্টশিংগা অথুবা মতমদা পিছ একোর্দ অমা সেন্তরগা খুৎয়েক পীনরবা য়ানা লৈরি হায়না অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্তা বিস্ব সর্মনা ফোঙদোরক্লি।

চীফ মিনিষ্টর সর্মনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না থা অসিগী অরোইবা শরুক ফাওবদা সেন্তরগা অদিবাসি মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিগা পিছ একোর্দ খুৎয়েক শোয়দনা পীনরগনি। সেন্তরগী মায়কৈদগীসু য়াম্না থুনা পিছ একোর্দ খুৎয়েক পীননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকপা লৈখ্রে।

পিছ একোর্দ অসিদা খুৎয়েক পীনবদৌরিবা অদিবাসি মিলিটেন্ট গ্রুপশিং অদুদি ওল অদিবাসি নেসনল লিবরেসন আর্মি, অদিবাসি কোব্রা মিলিটেন্ট ওফ অসাম, বিরসা কম্মান্দো ফোর্স, সান্থল টাইগর ফোর্স অমসুং অদিবাসি পিপলস আর্মিনি। হায়রিবশিং অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টকদি হান্নদগী পিছ একোর্দ খুৎয়েক পীনখ্রবনি।

# জিহাদি এক্টিভিটিজশিংগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লদুনা গোলপারাদা লৈবা মদ্রাশা অমা থুগায়খ্রে

গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ০৭ (এজেন্সি): অসামগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা জিহাদিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং কনখৎলকখিবগা মরী লৈননা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মদ্রাশাশিংনা অসিগুম্বা মখলগী থৌওংশিং অসিদা মতেং পাঙই হায়বগীদমক হৌখিবা থা খরা অসিদা ষ্টেট পুলিসনা মদ্রাশা খরা থুগায়বগী থবক চথরুবদগী চয়েৎনবা কয়া থোক্লিঙৈ মরক অসিদা গোলপারাদা লৈবা মদ্রাশা অমা মীয়াম্না থুগায়খ্রে হায়রি।



মমাঙ থাদগী হৌরগা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা থুগায়খিবা মদ্রাশা মশিং মরি শুখ্রে। মদ্রাশা মরি অসিগী মনুংদা অহুমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা তোঙান তোঙানবা মরমশিং পীরদুনা থুগায়খিবনি। রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না গোলপারাদা মীয়াম্না মদ্রাশা অমা থুগায়খ্রবা মতুং মদ্রাশা অদুগা থঙননা লৈবা য়ুম অমসু থুগায়খি হায়রি। থৌদোক অসি পাখিউরা চারদা থোকখিবনি।

লোকলশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না হায়রিবা ৱাফম অসিদা জিহাদিগী ওইবা থবক থৌওংশিং চথবগী খুদম চাওনা উখিবগা লোয়ননা বাংলাদেশি নেসনল খরসু য়াম্না তোয়না উবা থেংনবদগী লোকলশিংনা হৌনরুবা তৌদনা মদ্রাশা অদু থুগায়খিবনি হায়রি।

অমরোমদা, পুলিস রিপোর্টকী মতুংইন্না মদ্রাশা অদুদগী জলালুদ্দিন শৈখ কৌবা মীওই অমা ফাগৎপা ঙমখ্রে। মহাক মদ্রাশা অসিদা ক্লারিক ওইনা লৈবনি। এন্টি নেসনল ওইবা থবক থৌরমশিংদা চেন্নবগী মরালদা মহাকপু পুলিসনা ফাখিবনি। মীওই অদু ফাখ্রবা মতুং মদ্রাশা অদুদা ওজা ওইদুনা লৈবা অতোপ্পা অনী অমগসু মখা তানা পুলিসনা ফাগৎখ্রে। মখোয় অনী ফাখ্রবা মতুং মদ্রাশা অদুগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়ামনা খঙহৌদনা থুগায়বগী থবক চথখিবনি। মসিদা গভর্ণমেন্টকা মরী অমত্তা লৈনদে হায়রি।



আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ফুন্দ্রে বটালিয়ন অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা মরিংবাল ভিলেজদা কেরিয়র কাউন্সেল্লিং পাঙথোকখিবা

## CROSSWORD-3638



**ACROSS**
1 Conflict (6)
4 Very young child (6)
8 Edible bulb (5)
9 Colonist (7)
10 Heartfelt (7)
11 Mountain ash (5)
12 Followers (9)
17 Throng (5)
19 Immediate (7)
21 Surprise (7)
22 Balance (5)
23 Boil slowly (6)
24 One of the planets (6)

**DOWN**
1 Husband or wife (6)
2 Ruled (7)
3 Receiver of stolen goods (5)
5 Not artificial (7)
6 Permit (5)
7 Despot (6)
9 Make germ-free (9)
13 Emblem of royalty (7)
14 Marine animal (3,4)
15 Pursues (6)
16 Greek capital (6)
18 Kingdom (5)
20 Excellent (5)

**Solution 3637**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| T | A | S | K | ■ | P | O | S | S | I | B | L | E |
| A | ■ | O | ■ | B | ■ | P | ■ | I | ■ | O | ■ | D |
| L | E | F | T | O | U | T | ■ | N | U | R | S | E |
| I | ■ | I | ■ | A | ■ | I | ■ | G | ■ | D | ■ | N |
| S | T | A | R | T | ■ | C | L | E | V | E | R | ■ |
| M | ■ | ■ | ■ | E | ■ | S | ■ | ■ | ■ | R | ■ | I |
| A | C | C | O | R | D | ■ | D | A | M | S | E | L |
| N | ■ | H | ■ | ■ | ■ | D | ■ | N | ■ | ■ | ■ | L |
| ■ | F | A | C | A | D | E | ■ | G | R | I | S | T |
| A | ■ | R | ■ | L | ■ | G | ■ | E | ■ | M | ■ | R |
| N | A | I | A | D | ■ | R | E | L | E | A | S | E |
| T | ■ | O | ■ | E | ■ | E | ■ | S | ■ | G | ■ | A |
| I | N | T | E | R | R | E | D | ■ | K | E | N | T |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-4038

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | 9 | | 3 | 6 | 8 | | |
| | 8 | 5 | | 2 | | | 1 | |
| | 6 | 7 | 4 | | | | | |
| | | | 7 | | 9 | | | 3 |
| | | | | 4 | | | | |
| 7 | | | 6 | | 1 | | | |
| | | | | | 3 | 4 | 5 | |
| | 5 | | | 6 | | 1 | 2 | |
| | | 8 | 1 | 7 | | 6 | | |

## Solution-4037

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 2 | 7 | 6 | 4 | 5 | 3 | 9 | 8 |
| 8 | 3 | 9 | 7 | 2 | 1 | 6 | 4 | 5 |
| 4 | 5 | 6 | 9 | 8 | 3 | 2 | 1 | 7 |
| 9 | 6 | 5 | 2 | 1 | 8 | 4 | 7 | 3 |
| 3 | 7 | 1 | 4 | 5 | 6 | 9 | 8 | 2 |
| 2 | 8 | 4 | 3 | 9 | 7 | 5 | 6 | 1 |
| 6 | 1 | 8 | 5 | 3 | 9 | 7 | 2 | 4 |
| 5 | 9 | 2 | 8 | 7 | 4 | 1 | 3 | 6 |
| 7 | 4 | 3 | 1 | 6 | 2 | 8 | 5 | 9 |

## EMPLOYMENT NEWS

### HIGH COURT OF MANIPUR RECRUITMENT 2022 FOR 10 COMPUTER ASSISTANT

High Court of Manipur Computer Assistant Recruitment 2022: Advertisement for the post of Computer Assistant in High Court of Manipur. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 21 September 2022. Candidates can check the latest High Court of Manipur Recruitment 2022 Computer Assistant Vacancy 2022 details and apply online at the recruitment 2022 page.
High Court of Manipur Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ . High Court of Manipur selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
High Court of Manipur
invites applications for recruitment of Computer Assistant
Computer Assistant
Job Location:
At Mantripukhri, Imphal, 795002 Manipur
Last Date: 21 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 10 Posts
High Court of Manipur
High Court of Manipur Recruitment 2022 Details
Company High Court of Manipur
Job Role Computer Assistant
Education Requirement Any Bachelors Degree
Total Vacancy 10 Posts
Job Locations Imphal
Experience 1 - 5 years
Salary 21700 - 69100(Per Month)
Posted on 29 Aug, 2022
Last Date To Apply 21-09-2022
Educational Qualification: Any Bachelors Degree
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
21700 - 69100(Per Month)
Age Limit: 18-38 Years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Computer Assistant in High Court of Manipur.
How to Apply:
Candidates who are applying for High Court of Manipur Recruitment 2022, must apply before the last date. Candidates, who apply for the High Court of Manipur Recruitment 2022, can follow the procedure as given below.
Step 1: Visit the official website hcmimphal.nic.in
Step 2: Search the notification for High Court of Manipur Recruitment 2022
Step 3: Read all the details given on the notification and proceed further
Step 4: Check the mode of application on the official notification and apply for the High Court of Manipur Recruitment 2022.
Important Dates:
Published on: 30 August 2022
Last date for application is: 21 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### IIT GUWAHATI RECRUITMENT 2022 FOR 19 PART TIME SPORTS INSTRUCTOR

Indian Institute of Technology Guwahati Part Time Sports Instructor Recruitment 2022: Advertisement for the post of Part Time Sports Instructor in Indian Institute of Technology Guwahati. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 13 September 2022. Candidates can check the latest Indian Institute of Technology Guwahati Recruitment 2022 Part Time Sports Instructor Vacancy 2022 details and apply online at the www.iitg.ac.in/ recruitment 2022 page.
Indian Institute of Technology Guwahati Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.iitg.ac.in/. Indian Institute of Technology Guwahati selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of www.iitg.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati)
invites applications for recruitment of Part Time Sports Instructor
Part Time Sports Instructor
Job Location:
Indian Institute of Technology, Guwahati, 781039 Assam
Last Date: 13 September 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 19 Posts
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati)
Indian Institute of Technology Guwahati (IIT Guwahati) Recruitment 2022
Details
Company Indian Institute of Technology Guwahati
Job Role Part Time Sports Instructor
Education Requirement
Total Vacancy 19 Posts
Job LocationsGuwahati
Experience 1 - 4 years
Salary 25000(Per Month)
Posted on 27 Aug, 2022
Walkin Date 13 Sep, 2022
Educational Qualification: Diploma in Coaching or Certificate in Coaching or Bachelor in Physical Education or Graduate +Diploma in Physical Education or Participation in International / National / Inter University / Zonal Level competition with 10+2 general qualifications.
Experience: Minimum of 01 year of experience preferred, Fresher's may also apply
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR 25000(Per Month)
Age Limit: Upper age limit up to 45 years as on the interview date.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/ walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Part Time Sports Instructor in IIT Guwahati.
How to Apply:
To know the Walkin procedure for IIT Guwahati Recruitment 2022 candidates can go to the official website and download the IIT Guwahati Recruitment 2022 Notification. IIT Guwahati will conduct the walkin interview for Part Time Sports Instructor vacancies on 13/09/2022.
Important Dates:
Published on: 29 August 2022
Last date for application is: 13 September 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : মীত্রংগী মোইবুং

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম




